থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# পাক্তক্লনা শিখ হাৎখিবগী ৱায়েন

চহী ৩৪ গী মমাঙদা দিল্লিদা তমথিরবা থৌদোক অমা থোকখি। মতমদু মণিপুরদা তেলিভিজন লাকপা নৌরিঙৈনি, য়ুমথোং খুদিং পাক্লা শন্না তেলিভিজন লৈনদ্রি। ১৯৮২ ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা এসিয়ন গেমস নংননবা মণিপুরদা তেলিভিজন থাজিল্লকখিবনি, ব্লেক এন হ্বাইতকী য়ুগতু কাল্লগা কলর টি ভি দাইরেক। ১৯৮৪, পব্লিক সেক্তর বেঙ্কঅমদা থবক অমা ফংলে হায়বতনি, তি ভি লৈবা ঙমদরি ঐগী অঙ্কল অমগী ব্রেষ্টনন-কলর-তিভি মমাঙদুদা চিত্রহার মতম অমদি নুমিদাংগী পাউ মতমদুদা পুল্লপ পুল্লপ য়েংমিন্নরিঙৈ মতমনি। ওক্তোবর ৩১, প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীবু মশামক্কী বোদিগার্দ সিখ-সিক্যুরিতি-পর্সনেল অনীনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে হায়বই পাউ অদুনা খোয়শাওনহল্লবা মীয়াম হৌরক্তুনা দিল্লি সহর মনুংদা অমাঙ-অতা, অকায়-অতোয় থোকহনখিবা, মৈহৌ-লাংপোক থোকহনখিবগী ভিদিও ইমেজশিং দুরদর্শন চেন্নেলদা উখিবদু নীংশিংলি। অউ-অউবা সিখশিংবু তমথিবা মওংদা হাৎখিবা, মপোৎ-মচৈ মাঙহনখিবা, ময়ুম মৈ থাদোকখিবই পাউ নুমিৎ কয়ানি লেপখিদে। মতমদুদা পাউ পারস্বী 'অভিনাশ কৌর' কৌবী শকহেনবী পঞ্জাবী নিঙোল অদু মীপুম খুদিংগী মিতাফমনি। সিখ-রাইওৎ মনুং অমসুং মতুংদা ফনা কুইনা মশক উবা ফংখিদবদুদা হায়নরকখিবনি - মহাক মীহাৎতুদা য়াওরম্লনি। তোকঙা মপাল শারকপদুদা নোংমা পাউ পাহল্লকখি। শিদে হায়ববুদি খঙহল্লম্লে হায়ববু, কুইনা মশক উখিদ্রে, পোত্থাখ্রমাল্লে কুইদনা।

কাউনখ্রবা থৌদোক্তু ঙসি নৌনা নীংশিংলুবই মরম লৈ। মরম চাদ', মতাং চাদ তম্মিংলকখিবা নত্তে হেক্তমক। ময়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাদুনি। সিখ রাইওৎ নৎত্রগা সিখ মসাকর হায়নখিবা থৌদোক্তু তরাইনা কাউবা য়াদনা ঙাঙনদুনা লৈবসিগী মরম অমা লৈ। গভর্নমেন্টকী ওফিসল রেকোর্দতা মীওই (সিখ) ২৮০০ রোম শিখি হায়না পানরিবা, মীয়াম্না ঙাঙনবা মপাউদদি সিখ মীওই ৮০০০ দগী ১৭০০০ রোম মীয়াম্না হাৎখি ঙাঙনখিবা পাউ অসি রাইওৎতুদা শীখিবা মীগী মশীং অমদি নেচর ওফ কিল্লিংদুগী নত্তে। মীহাৎ অদু হায়নরুবা তৌদনা হৌরকপা, খোয়শাওনরবা মীয়াম্না চত্থখিবা নত্তে, কোংগ্রেস পার্টিগী অচৌবা লুচিংবা খরগী থৌইনশিন য়াওনা,




কোংগ্রেস পার্টি ৱার্করশিংনা চত্থখিবা, নীংথিনা প্লান তৌরবা ওর্গনাইজ-কিল্লিং অমনি হায়না চার্জ তৌরকপা অদুগীনি। ৱাথোকসিগা মরী লৈননা অকনবা চার্জ মায়োক্লখিবা মতমদুগী মরু ওইবা কোংগ্রেস লুচিংবশিংগী মরক্তা জগদিস তাইতলর অমদি সজ্জন কুমার অনীনি। জগদিসতাইতলরগী মমীংদি মরাল লৈরমদ্রে হায়দুনা ৱায়েনশঙনা লাউথোকখ্রে। অদুবু দিল্লি হায়কোর্টকী জষ্টিস মুরলিধর অমদি জষ্টিস বিনোদ গোয়ল অনীগী বেঞ্চ অমনা 'সজ্জন কুমার' বুদি মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখ্রে। মীহাৎ-মীপুনগী লৌতুনবগী মরুওইবা মরাল মায়োক্লরিবা 'সজ্জন কুমার' গী ৱায়েন অসিনা হায়রি, মহাক মী হাৎপা, মীগী য়ুম মৈ থাবা, লাইনিং লাইশোন তৌফমবু মাঙহন তাকহনবা, লাইনিং মান্নদবা কাঙলুপ মশেন মরক্তা য়েংথিনবা থোকহনবা, কাঙলুপকী ঈরাং শাগৎপগী মরাল লৈরে হায়রি।

ঙসি ঐনা পাউদ্দম অসি ইনিংলুবই মরমদি অতৈগী নত্তে - ৱায়েন অসিখক লাউথোকপদা চহী ৩৪ চঙলিবা করিগীনো? ৱায়েনশঙগী ৱায়েনদা অচৌ অশাং শেঞ্জাও পায়বা কাঙবুনা করম্বা খুৎ থিংজিনবা? দিল্লি পুলিসকী কাঙবুনা করম্না অচুম্বা লোৎশিনবা? শক্তি লৈবা পোলিতিসিয়নশিংনা অচুম্বা আইন চত্থদনবা মতৌ করম্না হোৎনরম্বা? অসিনচিংবা কয়াসি মহাক্কী জজমেন্ত অসিদা ময়েক শেংনা মমী তাই - কন্না ঙাঙনরকপা অসিননি।

হৌজিক্তি খঙলে - কোর্টকী জজমেন্ত অসিদা, চত্থখিব্রা মীহাৎ অদু দিল্লি পুলিসকা মান্নরগা কয়ামুক নীংথিনা প্লান তৌরম্বা, করম্না থবক পাঙথোক্লম্বা হায়বনচিংবদু ময়েক শেংনা পল্লম্মী। ঙল্লিঙৈ মতমদা য়েৎনরম্বা অকনবা মরৈ অমনি, ৱায়েনসিদা থোক্লকপা সাখি (ৱিতনেস) অমত্তনা 'সজ্জন কুমার' গী মীং অপান্ননা পল্লমদে। কোর্টনা হায়, ৱিতনেসশিংনা হায়বা ৱা কোর্টনা নীংথিনা তারমদে, মখোয়গী ৱা শেরান্ননা ৱাহন পীরম্মী। মরুওইনা নীংশিংবা য়াবদি 'জগদিস কৌর' অমদি 'জগশের সিংহ' অনীনা কোর্টতা পীরম্বা ষ্টেটমেন্ট অনীদুনি ... '১৯৮৪ নবেম্বর ১ গী নুমিদাং পুং ১০ মুক তাবদা, মন্দির মার্গকী গোলায়দা অম্বেসদর কার অমা খাম্বা উখি, মীওই ৩০-৪০ রোম কারদুগী অকোয়বদা য়োমশিনখি, সজ্জন কুমারনা কারদই থোরক্লগা নথৌ পাঙথোল্লব্রা হংখি, অদুগা ঐগী য়ুমলোমদা লাক্লগা 'নখোয়না থুগায়রিবসিদি থোঙসিখক্তনি' হায়বদা 'হিন্দুশিংনা মাবু কনবীবনি' কনানোমনা খুন্নকখি - 'মাবু কল্লিবা হিন্দুশিংগী ময়ূমসু মৈ থাদোকউ, লম হেল্লবদি হাত্তোকউ হায়রম্লগা চৎখি', মহাক হেক চৎখিবগা তমথিরবা এত্তেক'তু চত্থরকখি'... জগসের সিংহনা পীখিবা ষ্টেটমেন্ট অদুনি। জগদিস কৌর'নসু হায়, নবেম্বর ২ অয়ুক পুং ৯ তাবা অদুৱাইদা পুলিসতা ৱাকৎপা চৎপদা মীয়াম পুনবা মীফম অমদা 'সজ্জন কুমার' না ৱা ঙাঙবা মহাক্লা তাহৌই ... 'থেংনবা সিখ অমত্তা লেম্না থাগনু মখোয়বু চঙজফম পীরম্বা হিন্দুশিংগী ময়ুমসু মৈ থাদোকউ'...। মখোয় অনীগী ৱাফমসি 'রঙ্গনাথ মিশ্র কম্মিস'নসু, নানাবতি কম্মিসন'দসু ময়েক শেংনা পুথোক্তুনা নৈনখি।

হৌজিক 'সজ্জন কুমার' না সুপ্রিম কোর্টতা মখা তানা থেংনগদৌরিবা কেস অসিসু লায়না লৌবা য়াররোই। সুপ্রিম কোর্টতা অমুকসু অতোপ্পা চহী ৩০ অমগসু লৌবা তারিবরা? চহী ৩৪ গী মতুংদা পীরকপা ৱায়েন অসিমকফাও চন্নফম লৈররোইদ্রা খল্লুরবনি।

লৌশিং পুক্কে

# অনা-লায়েংগী শিনফমদা লৈরিবা মীওইশিংসু ৱাখল লায়না নাই

অনা-লায়েংগী শিনফমদা লৈরিবা ডোক্তর অয়াম্বা পুন্সিগী তাঙ্কক অমা নৎত্রগা অমদা সাইকোলোজিকেল প্রোব্লেম মায়োক্কৈ হায়বা কার্দিফ য়ুনিভর্সিটিগী ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙম্লে। হেন্না নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি সাইকোলো-জিকেল প্রোব্লেম মায়োক্লরিবা ডোক্তর অয়াম্বা মতেং লৌনবা হোৎনদে হায়বা ৱাফম অসিনি।



হেল্‌ঠ অমদি অতৈ অয়াম্বা মথৌ তৌরিবা মীওই অয়াম্বা ষ্ট্রেস মায়োক্কৈ অদুবু মখোয় অয়াম্বা মতেং লৌনবা হোৎনদে। বৃটিশ সাইকোলোজিকেল সোসাইটিনা পাঙথোকখিবা ষ্টাফ ৱেলবিইং সর্ভেগী রিপোর্টনা হায়খি, সাইকোলোজিকেল প্রোফেসনেল অয়াম্বা ৱাখল নুংঙাইতবগী অৱাবা মায়োক্লবা তারবসু মশানদি খঙজদে। কনাগুম্বা খরনা খঙজবা তারবসু মীঙোন্দা খঙহনবা পামদে।

ষ্টদিদা শরুক য়াখিবা মেদিকেল ডোক্তৃর অমদি সাইকোলো-জিকেল ডোক্তর চাদা ৭০ না হায়খি, মদুদি মখোয় পুম্নমক মথৌ পাঙথোকপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্কৈ। মরুওইনা অনা-লায়েংগী শিনফমদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বা থবক মফমদা কা-হেন্না ৱাবা অমদি থবক্তগী পোৎথারগা কমদৌগদগে খনবদা অৱাবা মায়োক্কৈ।

কার্দিফ য়ুনিভর্সিটিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, ডোক্তর অয়াম্বা সাইকোলোজিকেল প্রোব্লেম মায়োক্লরবসু হায়দোকপা ঈকায়বদগী মীঙোন্দা খঙহন্দনবা হোৎনৈ। মরুওইনা নুপী ডোক্তৃরশিংনা অমুক্কা হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্কৈ। মসিগী মরুওইবা মরমদি ইমুং-মনুংগী থবক্তা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা নুপীশিংনা ৱাখলগী অৱাবা

মায়োক্কৈ হায়বা অতোপ্পা মীওইদা খঙহন্নিংদে। ডোক্তর অমা ওইবগী শিনফমদা অকায়বা থোরক্কদ্রা হায়না খনবনসু মীঙোন্দা খঙন্নিংদবনি হায়রি।

অমরোমদা, লন্দনগী কিংস কোলেজদা লৈবা সরাহ ক্লিমেন্ট অমদি গ্রহম থ্রোনিক্রোফ্‌টনা মীওই ৯০,০০০ রোমদা চত্থখিবা ষ্টদি ১৪৪ কুপ্পা য়েংশিনখি। অনা-লায়েংগী শিনফমদা থবক তৌরিবা মীওই মরিগী মনুংদা অমদি মেন্টেল হেল্‌ঠ প্রোব্লেম মায়োক্কৈ অদুবু ঈকাইবদগী মতেং লৌনবা হোৎনদে হায়বা ষ্টদি অদুদগী খঙলকখি। মতৌ অসুম্না অনা-লায়েংগী শিনফমদা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা ৱাখল লৈতাদবা তারবদি মালেমদা হিংলিবা মীয়াম্না হকশেলগী ফীভম করম্না ফগৎহনবা ঙমগদগে হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি। খুদোংচাদবা অসি কোকহন্নবগী মতাংদা কাউন্সীল ওফ দ রোয়ল কোলেজ ওফ জেনরেল প্রক্তিসনরসকী চ্যেরমেন ওইরম্বা ক্লেয়র গেরাদানা হায়খি, মীচম-মীয়ামগী হকশেল ফগৎহন্নবা হোৎনদ্রিঙৈগী মমাঙদা মেদিকেল প্রক্তিসনরশিংগী ফীভম হান্না ফগৎহনবা মথৌ তাই। মায়কৈ অসোমদা চঙশিনবা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা হেল্‌ঠ অমদি সোসল ক্যেরগী শিনফমদা লৈরিবা মীওইশিংগী অনৌবা নেটৱার্ক অমা শেম্লে। লাক্লিবা জুন ২১ দা অহানবা মীফম পাঙথোক্কদৌরিবা নেটৱার্ক অসিনা হকশেলগী লমদা থবক তৌরিবা মীওইশিংগী পূক্লিং-ৱাখলগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনগদৌরি।

বৃটিশ সাইকোলোজিকেল সোসাইটিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, মীপুম খুদিংমক মরুওইনা অনা-লায়েংগী শিনফমদা লৈরিবা ডোক্তৃর খুদিংমক মশা-মশানা মায়োক্লরিবা সাইকোলোজিকেল প্রোব্লেমশিংগী মরমদা ফোঙদোকচনবগী প্লেটফোর্ম অমা লৈহনবা মথৌ তাই। লোয়ন-লোয়ননা ডোক্তৃর খুদিংমক মশা-মশানা মায়োক্লরিবা পূক্লিং ৱাখলগী ওইবা খুদোংচাদবশিং ফোঙদোকপা ঙম্বগী মথৌনা লৈবা মথৌ তাই।

অমরোমদা, বৃটিশ মেদিকেল এসোসিএসনগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, মদুদি ডোক্তর অয়াম্বা

পূক্লিং-ৱাখলগী অৱাবা মায়োক্লবা মরম্না অথুবা মতমদা শিনফমদগী পোৎথাবা পাম্মী। ডোক্তৃরগী শিনফম হায়বসিমক্তবু অয়ুক-নুংথিল, নুমীদাং নাইদনা মথৌ তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। মতৌ অসুম্না নোংমগী মনুংদা পোৎথাবগী মতম ইফং ফংদবা মথৌ তৌরিবা ডোক্তৃরশিংদগী অতোপ্পা শিনফমদা লৈরিবা মীওইশিংনা শেল হেন্না তানবগা লোয়ননা পোৎথাবগী মতম হেন্না ফংই হায়না ডোক্তৃর অয়াম্বনা লৌই। বৃটিশ মেদিকেল এসোসিএসন্না

হন্দক্তা চত্থখিবা ষ্টদি অমদগী ৱাফম অসি খঙলকপনি।

# লৈঙাক্লা মাইনোরিটিগী প্লান্নিং তৌবদা সনামহী লাইনীংলোইশিংবুসু কোনশিনবীয়ু : সলাইমীরেল

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচএনএস): মাইনোরটিজ রাইটস দে-২০১৮গী থৌরম থা অসিগী ১৮দা পাঙথোকখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীবদা ফোঙদোকখিবদা লৈঙাকসিগী মাইনোরিটিগী ওইবা তোঙানবা প্লান্নিং লৈ। মদু হৌজিক থবক ওইনা উৎপা য়াবগী ফীভমদা লৈরে। মৈতৈ পাঙলনা নম্না তাবা লিলোংগী সর্ভে তৌবা অয়াম্বা লোইরে, মাইনোরিটিশিংবু চপ মান্ননা চাওখৎমিন্নবা পায়খৎপা পাইলোট প্রোজেক্ট থা অসিগী ২৮দগী লিলোংদা হৌরগনি হায়না ফোঙদোকখিবা অদু পাউচেশিংদা উবদা কম্মিটি ওন ইনক্লুজন ওফ সনামহী লাইনীং ইন দি লিষ্ট ওফ মাইনোরিটি রিলিজন ইন ইন্দিয়া (সলাই মীরেল) না নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

সলাইমীরেলগী কনভেনর য়াঙ্গোই পিবানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, চীফ মিনিষ্টরগী লৈঙাকসি হায়দোকখ্রবা ৱা ঙাকপা, তৌগনি হায়বদা থবক ওইনা হেক্তৃা তৌথোরকপা লৈঙাক অমনি হায়বসি মীয়াম্না খঙনরক্লবনি। মসিগী মথক্তা লম্বী, থোং, হকশেলগী মতাং, শান্ন-খোৎনবা, চীংমী তম্মীগী মরীনচিংবদা শিংথানীংঙাই ওইনা ফগৎলক্লবা লৈঙাকনি হায়বসি মীয়াম্না খঙনরক্লি।

মাইনোরিটিগী মীওইশিংদা খুদোংচাবা ফংহনবগী মতাং অসিদা সলাই মীরেলনা থমজনীংবদি সেন্সস ওফ ইন্দিয়াগী ২০১১গী রিলিজন দোমোগ্রাফিগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াগী মীশিং ক্রোর ১২১ রোম অসিগী মনুংদা মিল্লিয়ন ১৭২.২ লৈবা মুসলিম, মিল্লিয়ন ২৮.৭ লৈবা খৃষ্টান মাইনোরিটি ওইদুনা হৌখিবা চহী ২৫ রোমসি মাইনোরিটি অমা ওইবগী খুদোংচাবশিংদু হায়রিবা কম্ম্যুনিটিশিংদা পীদুনা লাক্লি।

মথক্কী সেন্সস রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না মণিপুরগীসু ইস্লাম ২,৩৯,৮৩৬ অমদি খৃষ্টান ১১,৭৯,০৪৩নি হায়না উৎলি। হায়রিবশিং অসি মণিপুরদসু মাইনোরিটি অমা ওইবগী খুদোংচাবশিংদু চপ চানা ফংলিবনি।

মতাং অসিদা পঞ্জনীংবদি সেন্সস রিপোর্ট অসিনা ইন্দিয়া অমদি মণিপুরগী সনামহী লাইনীংলোইশিংগী মীশিংসি ২,২৩,৪২২নি হায়না উৎলি। মরম অসিনা মশানা তানা মাইনোরিটি ওইরবা সনামহী লাইনীংসি মাইনোরিটি ওইনা শকখঙবীদুনা লাইনীং অসিগী লাইনীংলোইশিংবু মাইনোরিটি অমা ওইবগী খুদোংচাবা অদু ফংহনবীয়ু হায়না হৌখিবা ওগষ্ট ৩দা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টর, নেসনল কম্মিসন ফোর মাইনোরিটিগী চ্যেরমেন, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর, মাইনোরিটি এফ্যেরস অমসুং মণিপুরগী গভর্ণর, চীফ মিনিষ্টর, এম ও বি সীনচিংবদা অইবা চে পীশিন্দুনা ৱাকৎচখিবা অদু ঙসি ফাওবা হীরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ৱাফম সলাই মীরেলদা খঙজবা ঙমজদে হায়রি।

মরম অসিনা হীরম অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা লৈঙাক অসিগী অফবা মওংগী লৈঙাক্তু মাইনোরিটি ওইরবা সনামহী লাইনীংলোইশিংদসু ফংহনবীবা ওইনা সলাই মীরেলনা পীশিঞ্জখিবা চে অদু থবক্তা ওন্থোকপীদুনা মাইনোরিটি ওইরবা সনামহী লাইনীংবু মাইনোরিটি রিলিজিন ওইনা শকখঙবীদুনা লাইনীং অসিগী লাইনীংলোইশিংবুসু লৈঙাক্কী মাইনোরিটি ওইবা তোঙানবা প্লান্নিংনা কোনশিনবীদুনা সনামহী লাইনীংলোই-শিংবু মাইনোরিটি ওইবগী খুদোংচাবা অদু ফংহনবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

# লমলোং কৈথেল শাবীররোইদ্রা : লূপ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচএনএস): লমলোং কৈথেল অসি কুমজা ২০১৬তা অকনবা য়ুহার হাবদা কায়খিবদগী অমুক হন্না শাবীনবা মমাঙগী লৈঙাক অমসুং অনৌবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা হায়জরুরবা মতুংদা মাহুদ মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমার, খুরাই এ সীগী এম এল এ এল সুসিন্দ্রো, এম এল এ ইন্দ্রজিৎ অমদি পি দি এগী চ্যেরমেন টি রোবিন্দ্রোনা মায়খুম হাংদোকপী-রম্মী অদুবু ঙসি ফাওবা কৈথেল শাবগী ৱাফম পনবীদবদা মীয়াম্না পেন্দবা ফোঙদোক্লরক্লি হায়না লমলোং কৈথেল ফম্বী অপূনবা লূপকী চেরোল অমনা হায়রি।

লমলোং কৈথেল ফম্বী অপূনবা লূপকী সেক্রেটরি আর কে ধনবতিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হীরম অসিগী মতাংদা মীয়ামগী ওইবা ৱারেপ খরা লৌরে। মদুগী মনুংদা য়াওরিবশিংদি এম পি ইলেক্সন মমাঙদা লমলোং কৈথেল শাবীয়ু, গভর্ণমেন্ট অসিনা মীয়াম পূনবা য়াবা কৈথেল অমা শাবিদ্রবদি মীয়াম্না অরৈবা শেনখায় খায়নরগা ৱানা মখোং য়ুংলবা চন্ননা কুপ্পা মীয়াম ফম্বা য়াবা কৈথেল অমা শারগনি হায়না অমত্তা ওইনা ৱারেপ লৌরে।

ৱারেপশিং অসি গভর্ণমেন্টনা অথুবা মতমদা থবক পাংথোক্তৃবদি অকনবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

## ওফিস হাংদোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ : মণিপুর ষ্টেট পেন্সনরস য়ুনিয়ন্না ইরমদম অসিগী পেন্সনরশিং অমদি মীয়ামগী তেংবাঙগা লোয়ননা শাখিবা পিশুম থোংদা লৈবা পেন্সনর শঙলেন অসি থা অসিগী ২২গী নুংথিল পুং ১ তাবদা লোক সভাগী এম পি ডা. থোকচোম মৈন্যনা পেন্সনরশিং অমদি ফেমিলি পেন্সনরশিংদা কৎথোকপীরগনি হায়না মণিপুর ষ্টেট পেন্সনর য়ুনিয়ন্না থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।







